ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯵꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ২৩, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৫১শুবা মশীং

লোক-অপ অমসুং জেলদা চনগদ্রা

ঙাঙলক্পা মরম লৈহন্দ্রগা ঙাঙলক্লোইদবদুবু

মণিপুরদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসন অমসুং আউট পোষ্টশিংগী মশীং কয়া ওইরমগদগে? হায়রিবা ষ্টেসন অমদি আউট পোষ্টশিংদা লৈরিবা ‘লোক-অপ’ শিংদা থম্বা য়াবা মীওইশিংগী মীশিং (কেপাসিটি) না কয়া ওইরমগদগে? নুপী অমসুং নুপাগী তোঙানবা লোক-অপ নৎত্রগা ‘সেল’ শিং লৈবনা কয়ানো? পুলিস ষ্টেসন অমসুং আউট পোষ্টশিংদা মসিগী খুদোংচাবা (ফেসিলিটি) শিং লোইনা লৈরব্রা? জেলগীনা কম্মাই তৌবা? সেন্ত্রেল জেলগী মশীংনা কয়ানো? সব-জেলশিংনা কয়ানো? লোয়নমক্তা অন্দর-ত্রাইএল প্রিজনর (য়ু টি পি) অমদি কনভিক্ট মশীং কয়াম থম্বা চনগদৌরি? ৱাহংশিংসি হংলে, পুলিসকী লোক-অপ অমসুং জেলগী কেপাসিটি য়ামদে হায়দুনা ক্রিমিনেল/ওফেন্দরশিং লোগী মতুংইন্না ফাবা-পূনবা তৌরুরনু, য়েংদুনা লৈরো, কাও থাবদৌনা থারো হায়বা নত্তে। লোক-অপ অমসুং জেলদা চন্দবদগী ম্যান্মারদগী লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপশিং ফারগা থৌওইনা দিটেন্সন শেমদুনা অমসুং সদভাবনা মান্দবনচিংবদা থল্লক্লিবসিনি। মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিগী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা লৌখৎপা কেসশিংগী চেন্নবা এক্ক্যুজশিং ফাদ্রিবা, ফাবা ফংদবা য়াওরমখিনি। মসিগী মথক্তা লান হৌরকপদগীনা হৌজিক ফাওবদা লৌখৎপা কেস লিশীং ৫ হেনবগীসু ফাবা য়াবা, ফাফম থোকপা এক্ক্যুজ কোকথোং অমা লৈরমগনি। অদুবু এক্ক্যুজশিং লোক-অপ চন্দ্রে অমসুং জেলগী কেপাসিটি য়ামদে হায়দুনা ফাদবদি ওইরগ্নোই। তাঞ্জাসিদা ষ্টেট লৈঙাক, লৈঙাকসিগী লুচিংবশিংগী মায়োক্তা ঙাঙলকই, শক্লকই হায়বা মীওইশিংসু ফাবা-পূনবা তৌরকপনি। তৌসনু তৌফম থোকই। তোঙান তোঙানবা লোগী প্রোভিজনশিং থুগাইরকপা/খোঙ্গাওনরকপা মীওইশিংদি লোশিং অসিবু এনফোর্স তৌদুনা চৎনহল্লিবা এজেন্সীশিংনা ফারগা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। অদুবু অসিগুম্বা মখলগী ওফেন্সশিং কম্মিট তৌরকপা মীওই (নুপা অমসুং নুপী) শিং শিৎ-নান্না ফাগৎলক্লবদি মখোয়বু থমগদবা/থম্বা য়াবা পুলিস অমসুং জুদিসল কষ্টদি মতিক চানা/মরাং কায়না লৈগদ্রা হায়বসিদি হংদবা য়াদবা ৱাহং ওইরক্লে হায়বনি।

মরমদি চথরক্লিবা লান অসি ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম ওইরক্ত্রে। থা ১১ মপূং ফাজিল্লক্তুনা থা ১২ (চহী ১) য়ৌশিল্লক্কদৌরে। লানসিগী লানফমশিং মশীং হন্থরক্ত্রিবনিনা মসিগী মৈশাদি অহাঙবা মালংদা তিল্লগা মাঙখিবা নত্তে। লানফমদা লান্মী ওইবা, অনকপদা লৈবা মীওইশিংনা হকথেংননা কাথেকপা অদুগা খরা লাপ্না লৈবশিংনা নাকোইনবা চৈথেং ফংলিবনি। মসিগী মথক্তা লেপত্রিবা লান অসিনা মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক্কী শেন্মীৎলোন অমসুং পূন্সি মহিং য়াওনা হীরম খুদিংমক্তা য়েংহৈদবা মওংদা শোকচিল্লক্লিবনি। চৈনা-চৈথেংশিংসি মায়োক্লরবা মীয়াম্না মখোল থোক্না অয়ো-নাহেরকপা হায়বসিদি মহৌশানি, মশানা তাবনি। মশা পূম্বা মৈনা চাকশিল্লক্লগা মচিন উমশিন্দুনা ঈক-আ ফাওবা থোকহল্লক্তনা উন-ৱাইমুক চিক্না লৈয়ু হায়বদি য়ারোই। শা-ঙাদা ফাওবা থোক্লোই। অদুগা মৈশা-মৈরিনা চাকথেরক্লবা মীওই অমগী মচিন্দগী লৈশি-লৈথোনবা, অথোৎপা-অমেঙবা ৱাহৈশিংগী মহুত্তা নুঙজাও কিন্থরকপগী নাকোং মেনশিন্নীংগদবা, মিৎ উইশিল্লগা শুগৎতুনা খাঙনীংগদবা ৱাহৈশিং কবোক পোকপদৌনা প্রোক-প্রোক পোক্লকপা মশানা তাবনি। অদুবু ফীভমসি ওইরক্তুনা মায়োক্লরক্লে হায়দুনা মীয়াম্নসু ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নরকপদি চুমদে। এক্ট, রুল অমসুং লোশিং লৈরি হায়বসিমসু নীংশিংগদবনি। মীতৈগী পাউরৌদা ৱাঙাঙ হৈত্রগা মপা চৈবা শকই হায়ব’মা লৈ হায়বসি য়া কাথোকপা হৌরকপদা কাউথোক্লোইদবনি। লৈবাক লৈঙাক্লোন্দা শেরান-তুরানদি তৌরগা ঙাঙথোরকপদনা ফজখ্রবা ‘কন্সত্রক্টিভ ক্রিটিসিজম’ হায়বদুসু নীংশিংবা ফৈ। পাৎলিঙৈদা হয়িংদসু নোনবা তারে, থুন্দা য়েংদুনা ফিন্দা থাবা তারে। ইচা ফত্তবা, ইপুরোইবা ফত্তববু তূন্নিঙৈদা মোননা নমশিল্লগা হাৎলুবা, চাক্তা হু হাপচিল্লুবা য়াব্রা? ইচা চাউবা, ইপুরোইবা শিবা ঙাই তারে। মীয়ামগী লাইবক্তা শুম থোকউহায়দুনা তল্লকপনেনা লাইবক্তা তাইনরগা খাঙবা তারেদনা!! অদুবু লৈঙাকসিনা লৈরিবা ৱাথোকশিংসি লৈহন্দ্রবা, চীংজাও খোন্না চাক্লিবা লান্মৈসি মূৎখিনবা লানসি খামদুনা লোইশিনহনখ্রবদি মীয়ামগী মচিনশিংসু কবোক পোক্লক্লরোই, নাকোং মেনশিল্লগা মিৎ উইশিন্দুনা তাবদা ঙল্লক্ত্রে হায়দুনা ফাবা-পুনবা লোগী সেক্সনশিংসু হুমা-হুমা থিরক্লোই হায়বনি। মীয়ামগী লৈঙাক্লিদি হায়রগা মীয়ামগসু ঈশিংগা থাওগা ওইবা, মীয়ামগী অনীংবা-অপাম্বশিংসু তৌদবা, পেন্দ্রদুনা ঙাঙথোক শক্তোক্লকপদা মচোঙ-মপাক নাইদবা ৱাহৈশিং য়াওরক্লগনা ফার-ফারগা লোক-অপতা নমগনি হায়বদুনদি সোল্যুসন ওইরোই হায়বীবগী ৱানি।

ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯦꯂꯗ ꯆꯅꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯉꯥꯎꯂꯛꯄ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯍꯟꯗ꯭ꯔꯒꯥ ꯉꯥꯎꯂꯛꯂꯣꯏꯗꯕꯗꯨꯕꯨ

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯇꯦꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯥꯎꯠ ꯄꯣꯁꯇꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯀꯌꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯗꯒꯦ? ꯍꯥꯌꯔꯤꯕ ꯇꯦꯁꯟ ꯑꯃꯗꯤ ꯑꯥꯎꯠ ꯄꯣꯁꯇꯁꯤꯡꯗ ꯂꯩꯔꯤꯕ 'ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ' ꯁꯤꯡꯗ ꯊꯝꯕ ꯌꯥꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯤꯁꯤꯡ (ꯀꯦꯄꯥꯁꯤꯇꯤ) ꯅꯥ ꯀꯌꯥ ꯑꯣꯏꯔꯃꯒꯗꯒꯦ? ꯅꯨꯄꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯨꯄꯥꯒꯤ ꯇꯣꯉꯥꯅꯕ ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ ꯅꯠꯇ꯭ꯔꯒꯥ 'ꯁꯦꯜ' ꯁꯤꯡ ꯂꯩꯕꯅꯥ ꯀꯌꯥꯅꯣ? ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯇꯦꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯥꯎꯠ ꯄꯣꯁꯇꯁꯤꯡꯗ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯈꯨꯗꯣꯡꯆꯥꯕ (ꯐꯦꯁꯤꯂꯤꯇꯤ) ꯁꯤꯡ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯂꯩꯔꯕ꯭ꯔꯥ? ꯖꯦꯂꯒꯤꯅꯥ ꯀꯝꯃꯥꯏ ꯇꯧꯕ? ꯁꯦꯟꯇ꯭ꯔꯦꯜ ꯖꯦꯂꯒꯤ ꯃꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯌꯥꯅꯣ? ꯁꯕ-ꯖꯦꯂꯁꯤꯡꯅꯥ ꯀꯌꯥꯅꯣ? ꯂꯣꯌꯅꯃꯛꯇꯥ ꯑꯟꯗꯔ-ꯇ꯭ꯔꯥꯏꯑꯦꯜ ꯄ꯭ꯔꯤꯖꯅꯔ (ꯌꯨ ꯇꯤ ꯄꯤ) ꯑꯃꯗꯤ ꯀꯅꯚꯤꯛꯠ ꯃꯁꯤꯡ ꯀꯌꯥꯝ ꯊꯝꯕ ꯆꯅꯒꯗꯧꯔꯤ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯡꯁꯤ ꯍꯪꯂꯦ, ꯄꯨꯂꯤꯁꯀꯤ ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯦꯂꯒꯤ ꯀꯦꯄꯥꯁꯤꯇꯤ ꯌꯥꯝꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯀ꯭ꯔꯤꯃꯤꯅꯦꯜ/ꯑꯣꯐꯦꯟꯗꯔꯁꯤꯡ ꯂꯣꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯏꯟꯅꯥ ꯐꯥꯕ-ꯄꯨꯅꯕ ꯇꯧꯔꯨꯔꯅꯨ, ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯔꯣ, ꯀꯥꯎ ꯊꯥꯕꯗꯧꯅꯥ ꯊꯥꯔꯣ ꯍꯥꯌꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯦꯂꯗ ꯆꯟꯗꯕꯗꯒꯤ ꯃ꯭ꯌꯥꯟꯃꯥꯔꯗꯒꯤ ꯂꯣꯒꯤ ꯋꯥꯡꯃꯗ ꯆꯡꯁꯤꯜꯂꯛꯄꯁꯤꯡ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯊꯧꯑꯣꯏꯅꯥ ꯗꯤꯇꯦꯟꯁꯟ ꯁꯦꯃꯗꯨꯅꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯗꯚꯥꯕꯅꯥ ꯃꯥꯟꯗꯕꯅꯆꯤꯡꯕꯗ ꯊꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯀꯈꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕ ꯊꯧꯗꯣꯛ ꯋꯥꯊꯣꯛꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗ ꯂꯧꯈꯠꯄ ꯀꯦꯁꯁꯤꯡꯒꯤ ꯆꯦꯟꯅꯕ ꯑꯦꯛꯀ꯭ꯌꯨꯖꯁꯤꯡ ꯐꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕ, ꯐꯥꯕ ꯐꯪꯗꯕ ꯌꯥꯎꯔꯃꯈꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯂꯥꯟ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯒꯤꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯂꯧꯈꯠꯄ ꯀꯦꯁ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ ꯍꯦꯟꯕꯒꯤꯁꯨ ꯐꯥꯕ ꯌꯥꯕ, ꯐꯥꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯑꯦꯛꯀ꯭ꯌꯨꯖ ꯀꯣꯛꯊꯣꯡ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯦꯛꯀ꯭ꯌꯨꯖꯁꯤꯡ ꯂꯣꯛ-ꯑꯞ ꯆꯟꯗ꯭ꯔꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯦꯂꯒꯤ ꯀꯦꯄꯥꯁꯤꯇꯤ ꯌꯥꯝꯗꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯗꯕꯗꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯅꯣꯏ꯫ ꯇꯥꯟꯖꯥꯁꯤꯗ ꯁꯇꯦꯠ ꯂꯩꯉꯥꯛ, ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯉꯥꯡꯂꯀꯏ, ꯁꯛꯂꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯁꯨ ꯐꯥꯕ-ꯄꯨꯅꯕ ꯇꯧꯔꯀꯄꯅꯤ꯫ ꯇꯧꯁꯅꯨ ꯇꯧꯐꯝ ꯊꯣꯀꯏ꯫ ꯇꯣꯉꯥꯟ ꯇꯣꯉꯥꯅꯕ ꯂꯣꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯚꯤꯖꯅꯁꯤꯡ ꯊꯨꯒꯥꯏꯔꯀꯄ/ꯈꯣꯡꯒꯥꯎꯅꯔꯀꯄ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯣꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯑꯦꯟꯐꯣꯔꯁ ꯇꯧꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯅꯍꯜꯂꯤꯕ ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯊꯕꯛꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯄ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯃꯈꯂꯒꯤ ꯑꯣꯐꯦꯟꯁꯁꯤꯡ ꯀꯃꯤꯠ ꯇꯧꯔꯀꯄ ꯃꯤꯑꯣꯏ (ꯅꯨꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯨꯄꯤ) ꯁꯤꯡ ꯁꯤꯠ-ꯅꯥꯟꯅꯥ ꯐꯥꯒꯠꯂꯛꯂꯕꯗꯤ ꯃꯈꯣꯌꯕꯨ ꯊꯃꯒꯗꯕ/ꯊꯝꯕ ꯌꯥꯕ ꯄꯨꯂꯤꯁ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯖꯨꯗꯤꯁꯜ ꯀꯁꯇꯗꯤ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯅꯥ/ꯃꯔꯥꯡ ꯀꯥꯌꯅꯥ ꯂꯩꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯍꯪꯗꯕ ꯌꯥꯗꯕ ꯋꯥꯍꯪ ꯑꯣꯏꯔꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫

ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯆꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤ ꯉꯁꯤ ꯉꯔꯥꯡꯇꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯑꯣꯏꯔꯛꯇ꯭ꯔꯦ꯫ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯃꯄꯨꯡ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯊꯥ ꯱꯲ (ꯆꯍꯤ ꯱) ꯌꯧꯁꯤꯜꯂꯛꯀꯗꯧꯔꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯂꯥꯟꯐꯃꯁꯤꯡ ꯃꯁꯤꯡ ꯍꯟꯊꯔꯛꯇ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤꯅꯥ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯩꯁꯥꯗꯤ ꯑꯍꯥꯡꯕ ꯃꯥꯂꯪꯗ ꯇꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯂꯥꯟꯐꯃꯗ ꯂꯥꯟꯃꯤ ꯑꯣꯏꯕ, ꯑꯅꯀꯄꯗ ꯂꯩꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡꯅꯥ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅꯥ ꯀꯥꯊꯦꯛꯄ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯈꯔꯥ ꯂꯥꯞꯅꯥ ꯂꯩꯕꯁꯤꯡꯅꯥ ꯅꯥꯀꯣꯏꯅꯕ ꯆꯩꯊꯦꯡ ꯐꯪꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇꯥ ꯂꯦꯄꯇ꯭ꯔꯤꯕ ꯂꯥꯟ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯁꯦꯟꯃꯤꯠꯂꯣꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯍꯤꯡ ꯌꯥꯎꯅꯥ ꯍꯤꯔꯝ ꯈꯨꯗꯤꯡꯃꯛꯇꯥ ꯌꯦꯡꯍꯩꯗꯕ ꯃꯑꯣꯡꯗ ꯁꯣꯛꯆꯤꯜꯂꯛꯂꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯆꯩꯅꯥ-ꯆꯩꯊꯦꯡꯁꯤꯡꯁꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯕ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯃꯈꯣꯜ ꯊꯣꯛꯅꯥ ꯑꯌꯣ-ꯅꯥꯍꯦꯔꯀꯄ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯃꯍꯧꯁꯥꯅꯤ, ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯥ ꯄꯨꯝꯕ ꯃꯩꯅꯥ ꯆꯥꯛꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯥ ꯃꯆꯤꯟ ꯎꯃꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯏꯛ-ꯑꯥ ꯐꯥꯎꯕ ꯊꯣꯛꯍꯜꯂꯛꯇꯅꯥ ꯎꯟ-ꯋꯥꯏꯃꯨꯛ ꯆꯤꯛꯅꯥ ꯂꯩꯌꯨ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯁꯥ-ꯉꯥꯗ ꯐꯥꯎꯕ ꯊꯣꯛꯂꯣꯏ꯫ ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯃꯩꯁꯥ-ꯃꯩꯔꯤꯅꯥ ꯆꯥꯛꯊꯦꯔꯛꯂꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯃꯒꯤ ꯃꯆꯤꯟꯗꯒꯤ ꯂꯩꯁꯤ-ꯂꯩꯊꯣꯅꯕ, ꯑꯊꯣꯠꯄ-ꯑꯃꯦꯡꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠꯇꯥ ꯅꯨꯡꯖꯥꯎ ꯀꯤꯟꯊꯔꯀꯄꯒꯤ ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯃꯦꯟꯁꯤꯟꯅꯤꯡꯒꯗꯕ, ꯃꯤꯠ ꯎꯏꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯁꯨꯒꯠꯇꯨꯅꯥ ꯈꯥꯡꯅꯤꯡꯒꯗꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯀꯕꯣꯛ ꯄꯣꯛꯄꯗꯧꯅꯥ ꯄ꯭ꯔꯣꯛ-ꯄ꯭ꯔꯣꯛ ꯄꯣꯛꯂꯀꯄ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯐꯤꯚꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯥꯌꯣꯛꯂꯔꯛꯂꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯁꯨ ꯐꯖꯗꯕ ꯋꯥꯍꯩ-ꯋꯥꯇꯥ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯔꯀꯄꯗꯤ ꯆꯨꯃꯗꯦ꯫ ꯑꯦꯛꯠ, ꯔꯨꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯣꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯃꯁꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯥꯎꯔꯧꯗ ꯋꯥꯉꯥꯡ ꯍꯩꯇ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯄꯥ ꯆꯩꯕ ꯁꯀꯏ ꯍꯥꯌꯕ'ꯃꯥ ꯂꯩ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯌꯥ ꯀꯥꯊꯣꯛꯄ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗ ꯀꯥꯎꯊꯣꯛꯂꯣꯏꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟꯗ ꯁꯦꯔꯥꯟ-ꯇꯨꯔꯥꯟꯗꯤ ꯇꯧꯔꯒꯥ ꯉꯥꯡꯊꯣꯔꯀꯄꯗꯅꯥ ꯐꯖꯈ꯭ꯔꯕ 'ꯀꯟꯁꯇ꯭ꯔꯛꯇꯤꯚ ꯀ꯭ꯔꯤꯇꯤꯁꯤꯖꯝ' ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯁꯨ ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ ꯐꯩ꯫ ꯄꯥꯠꯂꯤꯉꯩꯗ ꯍꯌꯤꯡꯗꯁꯨ ꯅꯣꯅꯕ ꯇꯥꯔꯦ, ꯊꯨꯟꯗ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯐꯤꯟꯗ ꯊꯥꯕ ꯇꯥꯔꯦ꯫ ꯏꯆꯥ ꯐꯠꯇꯕ, ꯏꯄꯨꯔꯣꯏꯕ ꯐꯠꯇꯕꯕꯨ ꯇꯨꯟꯅꯤꯉꯩꯗ ꯃꯣꯟꯅꯥ ꯅꯃꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯍꯥꯠꯂꯨꯕ, ꯆꯥꯛꯇꯥ ꯍꯨ ꯍꯥꯞꯆꯤꯜꯂꯨꯕ ꯌꯥꯕ꯭ꯔꯥ? ꯏꯆꯥ ꯆꯥꯎꯕ, ꯏꯄꯨꯔꯣꯏꯕ ꯁꯤꯕ ꯉꯥꯏ ꯇꯥꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯥꯏꯕꯛꯇꯥ ꯁꯨꯝ ꯊꯣꯛꯎ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯇꯜꯂꯀꯄꯅꯦꯅꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛꯇꯥ ꯇꯥꯏꯅꯔꯒꯥ ꯈꯥꯡꯕ ꯇꯥꯔꯦꯗꯅꯥ!! ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯩꯉꯥꯛꯁꯤꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯋꯥꯊꯣꯛꯁꯤꯡꯁꯤ ꯂꯩꯍꯟꯗ꯭ꯔꯕ, ꯆꯤꯡꯖꯥꯎ ꯈꯣꯟꯅꯥ ꯆꯥꯛꯂꯤꯕ ꯂꯥꯟꯃꯩꯁꯤ ꯃꯨꯠꯈꯤꯅꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯈꯥꯃꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣꯏꯁꯤꯅꯍꯅꯈ꯭ꯔꯕꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯆꯤꯅꯁꯤꯡꯁꯨ ꯀꯕꯣꯛ ꯄꯣꯛꯂꯛꯂꯔꯣꯏ, ꯅꯥꯀꯣꯡ ꯃꯦꯅꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯃꯤꯠ ꯎꯏꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯇꯥꯕꯗ ꯉꯜꯂꯛꯇ꯭ꯔꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯐꯥꯕ-ꯄꯨꯅꯕ ꯂꯣꯒꯤ ꯁꯦꯛꯁꯅꯁꯤꯡꯁꯨ ꯍꯨꯃꯥ-ꯍꯨꯃꯥ ꯊꯤꯔꯛꯂꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯤꯗꯤ ꯍꯥꯌꯔꯒꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯁꯨ ꯏꯁꯤꯡꯒꯥ ꯊꯥꯎꯒꯥ ꯑꯣꯏꯕ, ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯑꯅꯤꯡꯕ-ꯑꯄꯥꯝꯕꯁꯤꯡꯁꯨ ꯇꯧꯗꯕ, ꯄꯦꯟꯗ꯭ꯔꯗꯨꯅꯥ ꯉꯥꯡꯊꯣꯛ ꯁꯛꯇꯣꯛꯂꯀꯄꯗ ꯃꯆꯣꯡ-ꯃꯄꯥꯛ ꯅꯥꯏꯗꯕ ꯋꯥꯍꯩꯁꯤꯡ ꯌꯥꯎꯔꯛꯂꯒꯅꯥ ꯐꯥꯔ-ꯐꯥꯔꯒꯥ ꯂꯣꯛ-ꯑꯞꯇꯥ ꯅꯃꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯅꯗꯤ ꯁꯣꯜꯌꯨꯁꯟ ꯑꯣꯏꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯤꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫

গাড়ী হায়বসে থৌবগীসু শেলনি, খাম্বগীসু শেলনি

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



হন্দক মরকসি নোং মতৎ-মতৎ খরা চুই। মতম ইনাই নাইদনা নোং তারকপা ঙক্লিংঙাই ওইদে। কুমগী নোং মতম চানা চুরক্তবসু অঙকপা অমা করিসু ওইনীংঙাই ওইদে। গাড়ী মচাদা ইম্ফাল চৎপা অসি ঐগী তঙাইফদ্রবা থবক্লি। গাড়ী মচাগা নোংগদি য়াম্না পক্লদে। গাড়ীমচানা গাড়ী অচৌবদগী লাকচবা ময়াম অমসু লৈ। লাকচবা অদুনা মরম ওইরগা ঐ গাড়ী মচাবু থাদোক্লবা ঙমদে।

নহান নোংমদি ঐ গাড়ী অমা পার্কিং তৌফম অমদা থনল্লগা কৈথেল মনুংদা পোৎ চৈ লৈবা চঙই। ঐগী গাড়ীমচা অসি ইম্ফালগী পার্কিং জোন অয়াম্বদা লুপা তরা নৎত্রগা কুন পীদুনা খাম্মী। ওইজবা হায়বা তাই করিগুম্বা মতমদা ঐ শেল পীরমদবসু য়াওজে। পীকখ্রবা ইম্ফাল মনুং অসিদা য়ামখ্রবা গাড়ী পার্কিং লৈবিরম্বসি চাউথোকচনীংঙাইনি। মফম মঙাদং খাম্বদদা লুপা চাম্মনি, অদুম থাও লিটর অমগী মমলদি চৎলে। গাড়ী হায়বসে থৌবগীসু শেলনি, খাম্বগীসু শেলনি। মসিগী মথক্তা চহী তরামঙাগী টেক্স, লাইসেন্স লৌবগী পায়বগী টেক্স ঙাক্তনি। নুংঙাইজৈ লৈবাক অসি চলাইনবা টেক্স ময়াম অমা থিজরিবা নাগরিক (লৈবাকমচা) অমা ওইনা।

ইম্ফালগী লম্বীশিং মী চিনবা খংহেন হেঞ্জিনখ্রে। গাড়ী মচা অচৌবা কয়ানা মীৎতা, নাদা চঙদৌরে। অদুক য়াম্বা গাড়ী ময়ামসে মওং তানা থম্ফম লৈতে। লম্বী ময়ায় য়ৌনা থমজিন্দুনা খাম্বা তাবনি। মী চিল্লবা মফমদা গাড়ী পার্কিং ওইশিল্লি অমদি ত্রাফিক পুলিসনা অচৎ অওক অমুক চ্যেক তৌশিল্লি। চাকা অনী পানবা, মরি পানবা, মদুগী মথক্তা ষ্ট্রিট ভেন্দর লোইনমক তঙাইফদবা ঙাক্তা ওইনা মী চিল্ল-চিল্লবা মফমদা পার্ক তৌনরি চাক্তামিন্নরি। লোইনমক চুম্মী, লোইনমক লান্দে হায়বদুনি। লোইনমক চুমদে, লোইনমক লাল্লি। মতম অমদা মণিপুর অসি সুম্মাইনা লম্বী চিল্লক্কনি নৎত্রগা ঈনাক খুন্নরক্কনি নৎত্রগা মী য়াল্লক্কনিকা হায়না কনাসু করিসু খন্নরম্লোই। ৱাখল য়াম্না পীক্লা পীক্লা খন্নরমগনি। য়াম্না লাপখ্রবা ইংলেন্দদগী তরাতরেৎশুবা চহীচাদা মালেম পূম্বা থেঙ্গায় থেঙ্গায়নরগা ফাওদুনা লাক্লগা মফমসিদা লাক্লম্বা মখোয়দুদি কোক য়াম্না ৱাংলমগনি। মদুদগী অমুক মখোয়গা হান্না থেংনরকখ্রবা ইন্দিয়াগী মীওইশিংসু শাথীনা অদুম শিংবা য়াবা শিংলমগনি। পীক্লা সুম খন্দুনা লৈবশিংবু লায়না শান্নবীবা ঙল্লমগনি। পীক্লন্নিবা, চাউরন্নিবা, হয়েংৱাইগী খল্লমদ্রিবা পূম্নমক তৌনীংদুনা তৌবসু নত্তে, মসি কোক মনুংদগী মশানা অদুম থোরক্তবনা ওইগনি। ঙসি ইম্ফাল মনুংদা ওফিস ময়াম লোইনা চগুংননা লৈশিল্লগা ৱানরিবা ময়ামসি থায়না ঐখোয়সে সুম পীক্তুনা লৈগনি খল্লম্বগী কৈনীংচিংনি।

পোৎ চৈ লৈরুরগা ঐনা থোরকপদা ঐগী গাড়ীমচা নোংনা পুমচোৎ চোৎলগা লৈরম্লে, মদু তৈথোক্লবা ফদি নৎত্রগা রুমাল য়াওদদুনা চোৎনা চোৎনা তোংখৎলে। মীগী মমাঙদা ইকায়বনা শিরমগদৌরে। মসিগী মমাঙদা নোংমনা ঐগী গাড়ীগী সিট অমদি গাড়ী মচাদু পুমতৈ তৈরগা লৈরম্বা য়াওখ্রে। মসিরা স্মার্ট সিটি হায়বদো হায়না ইতোমতা খঞ্জবদা মায় ঙাঙখ্রে। মসিবু স্মার্ট সিটিগী মরাল্লা নৎত্রগা গাড়ী উবদা মতিল ওরো ওরো তারবা গাড়ীগী পার্কিং মফম অদুনরা? নৎত্রগা মীগী অৱাবা খঙদবী খেনফম নাইদবী নোংজু মানরা? ইশা ইতোমতা মায়দা কিন থিঞ্জিনজখি।

করিগুম্বা, পার্কিং জোনদা থনম্বা গাড়ীগী হেদলাইট কায়রম্বা য়াওখ্রে, রং খোৎতৎলম্বা, কোপ্লম্বা কয়া কয়া য়াওখ্রে। গাড়ী পার্কিংনা গাড়ীসু কোপহনবীবা উহৌদবা, লৈখোমসু তৈহনবীবা, রংসু খোৎতৎপীবা, নোংসুমুক চোৎহনবা অসি থম্মোয়দি খরা কনমল্লি হায়জগে। নোংমদা লুপা চাম্মা চাম্মগী খাম্বা তারবদি থা অমদা অখাম্মল অসি ফনয়াম্নদি চৎলিবনি। মথক কূপ্পসু নত্তবা মফম অমদা গাড়ী খামহল্লগা লুপা কুন লৌহৌবা অসিবু করি থম্মোয়নো, করি সর্ভিসনো? তৌদনা তৌ তারদি খরা মওং তানা তৌ হায়জবগী ৱানি। লুপা কুন্দুবু নত্তে সিদগী হেনবা পীগে খল্লিবনি। করিগুম্বদা থাওশেলবু হুনগদ্রা, পার্কিং ফীবু হুনগদ্রা কোক্তা খূৎ হাপ্পা য়াওখ্রে। পার্ক তৌজরিবা গাড়ীশিংদু নোংনা পুমচোৎ পুমচোৎ চোৎতুনা লৈরম্বদা কনাগী গাড়ী মপূনবু থম্মোয় কায়রোইদৌরিবনো? টিকেৎনি হায়দুনা চেজেৎ অমা পীশিল্লক্লগা লুপা কুন থক লৌহৌবা হায়বসি নোংসু চোৎলবনিনা অমুক হন্দোকহন্নীংলকপা য়াওখ্রে।

দেল্লীদা পাঙথোকখিবা ইন্দষ্ট্রিয়েল দিকার্বোনাইজেন সম্মিট, ২০২০দা ইকায়খুম্নজরবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ত্রান্সপোর্ট নিটিন গদকাড়ীজিনা মফম চাদনা খাম্বা গাড়ীশিংগী ফোটো থারকপশিংদা লুপা ৫০০ রিৱার্দ পীগনি হায়বা তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমা লৈরে। ইম্ফালগী করম্বা গাড়ী খাম্ফম্বু মফম চাবা গাড়ী খাম্ফমনো হায়বদু খন্দোকপা লুনা থোকচৈ। লৈরিবা পার্কিং জোন ময়াম অসিদি লম্বী চৎপসু অপন-অয়েৎ পীবা গাড়ী খাম্ফম ঙাক্তা ওইনা তৌনরি। গাড়ী পার্কিং হাংলগা গাড়ী নোং চোৎহন্দৌ শরুক গাড়ী মফম চাদনা খাম্বা ফোটো কাপ্লগা শেল তানবনবু ফরক্লোইদ্রা? ●

হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ পাঙ্গোঙ # ৪৩৩

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মণিপুরগী মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ ফূরুপকী ধর্ম্ম-কর্ম্মগা ইথা থাদোক্লবা য়াদ্রবা য়াম্না মরু ওইবা পাম্বীরক্তগী পাঙ্গোঙ হায়রিবা পাম্বী অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা মরু ওই। মীতৈ ফূরুপ্তা কনাগুম্বা মীওই অমা মাঙখ্রবা নৎত্রগা থিবা খঙদ্রবা অদুগা হায়রিবা মীশক অদু শিখ্রে হায়না থাজনবা নৎত্রগা লৌরবা অদুগা মীওই অদুগী মশা অদু ফংবা ঙমদ্রবদি পাঙ্গোঙ পাম্বী অদুনা মিতম শাদুনা শিখ্রে হায়না থাজরিবা মীওই অদুগী মিংদা ধর্ম্ম-কর্ম্ম অদু পাঙথোক্লে।

পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি ইংলিসতা ফ্লেম ওফ দি ফোরেষ্ট (Flame of the Forest) নৎত্রগা পালাশ ত্রী (Palssh tree), হিন্দিদা পালাশ (Palash) নৎত্রগা ধাক (Dhak), ওরিষাদা পোরাসু (Porasu), সংস্কৃৎতা পালাসা (Palasa), টামিলদা পিলাসু (Pilasu), গুজরাতিদা খাখারো (Khakharo), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা বুতিয়া মোনোসপর্মা (Butea monasperma) নৎত্রগা বুতিয়া ফ্রোন্দোসা (Butea frondosa) হায়না কৌই অমসুং ফেবেসী (Fabaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা পাম্বী খরদি হৱাইমুবী পাম্বী - ব্রোদ বিন (ভিসিয়া ফাবা), পোরোংখোক পাম্বী - ধ্রুবা (দেসমোদিয়ম গঙ্গেতিকম) অসিনচিংবনি। পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি অপীকপা উ (Small tree) নৎত্রগা খরা হেন্না পীকথবা শ্রব অমনি অমসুং অয়াম্বা মতমদা মনা শংত্রিক শংদুনতা লৈ।

মনা অদু খূবাকমুক পাক্লা নায়াৎ অহুম পাল্লি। পাম্বী অসি লৈ শাৎপা মতমদা অঙাংবা নৎত্রগা কোমলা মচুগী তেনৱা মচিন মানবা লৈ কয়ামরুম চবুন ওইনা শাৎতুনা লাপ্না য়েংবদা জঙ্গল হায়বদি উমংদা মৈ চাকপগী মৈবুল মানবদগী পাম্বী অসিবু ফ্লেম ওফ দি ফোরেষ্ট হায়বদি জঙ্গলগী মৈরি হায়না খঙনৈ। পাম্বী অসিগী মহৈ অদু হেক য়েংবদা হৱাইগী মওংনি অমসুং পাকই। লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা মরূ অমখক পানগল্লি। পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি ফেব্রুৱারী থাদগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা লৈ শাৎলি অমসুং মহৈ পাল্লি। পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী মফমশিং মরু ওইনা হিমালয় অমসুং অৱাং নোংপোক্কী মফমশিং অমসুং ম্যান্মারগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা পাক শন্না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি নেমতক তৌবা চীংশিং অমসুং চীংখোঙ-চীংয়াদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি মিটর ১০০০গী মথক্তদি ইহৌ হৌদে।

বিজ্ঞানগী পাউদমগী মতুংইন্না পাঙ্গোঙ পাম্বীদা য়াওবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কম্পাউন্দ অসি β-Sitosterol (বিতা-সিতোসতেরোল) হায়না কৌই। পাঙ্গোঙ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। শা-ষণগী উনশাগী লায়না-লায়েংদা শীজিন্নরিবা হীদাক ওলিনোল (Ollinall) অসি পাঙ্গোঙ পাম্বীদগী শাবনি। ইন্দিয়াগী মফম খরদদি পাঙ্গোঙ পাম্বীগী মনা অসি বিড়ি কোনবদা শীজিন্নৈ অমসুং চান-থক্লবা প্লেটশিং শানৈ। লোক খুবা, পুক নাবা অমদি চাবা তুমদবদা পাঙ্গোঙ মনাগী মখোক অদু শায়দুনা মহী অদু চূপশিন্দুনা লায়েংনৈ। পাঙ্গোঙগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদুনা মীৎ তোয়না চামথোকপা অমসুং দ্রোপ ওইনা হাপ্পদা মীৎকী মপাঙ্গল কনখৎহনবগী মথক্তা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপদসু মতেং পাংই। পাঙ্গোঙ পাম্বীগী মনা অদু কংহল্লগা মকক কক্লগা ঈশিংদা চা অমগুম্না লোন্দুনা নোংমদা কপ অনীরোমগী চাংদাদা থা অমরোম পীথক্তুনা দাইবেটিস হায়রিবা ঈশিং পুকচৎকী লায়না অসি লায়েংনৈ। খৌনাও চাথৎপা অমদি ঙৌদা অশিনবা কাবা অমদি পোল্লবদি পাঙ্গোঙ মনা শুগাইদুনা ঈশিংদা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা তেংথোকপদা য়াম্না কান্নগনি। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমগী চাংদা পীথক্তুনা নুপীনা থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অদুসু লায়েংনৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না পাঙ্গোঙ মনা ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু মৈদা লোন্দুনা শেম্বা অনঙবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈরবদি মায়দা উরিং থুংবা অমসুং মায়হিং কাবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। পাঙ্গোঙগী মনা অদু হিমালয়গী লমদমশিংদদি শা-ষণগী অফবা শজিক অমা ওইনা পীজনৈ। শঙ্গোমদা পাঙ্গোঙ পাম্বীগী লৈ খরা হাপ্তুনা শৌহল্লগা শেম্বা মহী অদু অরুম লাইহৌ তৌবদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ। পাঙ্গোঙগী লৈ খুবাম অমা ঈশিং লিটর অমদা অহিং অমা তীংলগা লৌবা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমরোমগী চাংদা হাপ্তা অহুমগুম্বদং চাং নাইনা পীথকপদা হকচাংদা নূঙ লৈবা অমদি ঈশিং য়াফম তৌবা অদু ফহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদল্লি। যূমদা লৈশৌ কারবদি পাঙ্গোঙ পাম্বীগী লৈদগী শেম্বা মহী অদুনা কাপথোকপদা য়াম্না কান্নবগী পাউদমসু লৈ। পাঙ্গোঙ পাম্বীগী মপূং ফারবা লৈশিং অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শামতু অমসুং মুগাগী ফি মচু শংনবা অঙাংবা নৎত্রগা কোমলা মচুগী মচু (dye) অমা শেম্নৈ।

পাঙ্গোঙ পাম্বীগী উগী মকু অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অদু লায়েংনৈ। পাম্বী অদুগী উ অদু থাঙনা শৎ য়ানবদা থোরকপা মখোম হায়বদি গম অদু ঈশিংদা নৈখায়দুনা মহী অদু পীথকপসু য়াই। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু মৈদা লোন্দুনা শেম্বা অনঙবা মহী অদু নুমিদাং ফমুং চঙলমদাইদা খোঙপাক্তা তৈবদা খোঙপাক চেকখায়বা অমদি খুনিং কায়বা অদু ফহনবা ঙম্মী হায়দুনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি।

গর্ৱাল হিমালয়গী পৌরী লমদমগী মীওইশিংনা পাঙ্গোঙগী মরূ অদু নুপীনা মীরোনবা ঙমহন্দনবা হীদাক শাবদা শীজিন্নৈ হায়বগী পাউদমসু থেংনৈ। শীজিন্নবগী মওংদি পাঙ্গোঙ মরূ ১০ মুক হীং গ্রাম অমরোমগা কূপ্পা তকখায়দুনা ষণগী শঙ্গোমদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমরোমগী চাংদাদা নুমিৎ হুম্নিগুম্বদং অঙনবা অয়ূক্তা হকতিন্নবা হেক মতুংদা পীথকপনি। অঙাংনা মশাদা তীল লৈবদসু মরূ অহুমগুম্বদং কূপ্পা তকখায়রগা খোইহিগা তোৎতুনা পীজবীগনি। মহারাষ্ট্রগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা নুপা অমসুং নুপীশিংনা মীরোনবা ঙমদ্রবদি পাঙ্গোঙ পাম্বীগী মরা অদু অচাকপা মৈতালদা লৌরগা হায়বদি রোস (Roasted) তৌরগা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু নুমিদাংদা চামচ অনীগী চাংদাদা থা অমরোম পীথক্তুনা লায়েংনৈ। পাঙ্গোঙগী মরা অদু শুগাইরগা লীন্না চিকপদা খুদক্তা থোমদুনা লিনগী হূ অদু চিংথোকপা ঙম্মী হায়না শীজিন্নৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা লিন্না চীকপদসু পাঙ্গোংগী মরা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু খুদক্তা পীথকপদসু লিনগী মহু অদু ময়াই চমহনবা ঙমহল্লি হায়নসু পাউদল্লি। কিদনিদা নূঙ লৈবদা পাঙ্গোঙ মরূ অদু ফুৎলগা পীথক্তুনসু লায়েংনৈ। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্‌থৌলোল্ লম্‌পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১৩১)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কবো চীঙ মতোল। লংমাই লমদম পাইপং থেল। শেললোই চীঙশা তাকুপ চীঙ। লংমাই তরম ৱাংবা চীঙবু। পুমনমক খঙনা। শাইওল লৈশাৎ তমলকপী। নিংঙোল। লংমাই খাংহন অহলবনা পোকচবী। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন। সুমলৈমা ও হায়না মিংকৌ মিংথোলয়ে। মৈতৈ লৈমা সুমলৈমা। সনা পীবুকনুংদগী চাদা নাওদারমবদি।

মৈদিংঙু লাইরেল লোইতোংবা

নবুথৌ মৈদিংঙু লাইরেল লোইতোংবা ও। মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু লাইরেল লোইতোংবদি। লাইরেল নাওৱা অঙাং ওইরিঙৈ। হৈরাং চারি মতম লাকঙৈ। তনৌ তনৌবা নাওৱা অঙাংনা। খোইরী কেলবু কেলদরিঙৈ। লুতং চকা কোকলেল কোকলম কোকতা। চেপলৈ লৈখাঙ অঙাং শলশা হৈতেরিঙৈ। নাওৱা থরাক পুঙকাই চৈ। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯳꯱)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯀꯕꯣ ꯆꯤꯡ ꯃꯇꯣꯜ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯥꯏ ꯂꯝꯗꯝ ꯄꯥꯏꯄꯪ ꯊꯦꯜ꯫ ꯁꯦꯂꯂꯣꯏ ꯆꯤꯡꯁꯥ ꯇꯥꯀꯨꯞ ꯆꯤꯡ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯥꯏ ꯇꯔꯝ ꯋꯥꯡꯕ ꯆꯤꯡꯕꯨ꯫ ꯄꯨꯃꯅꯃꯛ ꯈꯪꯅꯥ꯫ ꯁꯥꯏꯑꯣꯜ ꯂꯩꯁꯥꯠ ꯇꯃꯂꯛꯄꯤ꯫ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ꯫ ꯂꯥꯡꯃꯥꯏ ꯈꯥꯡꯍꯟ ꯑꯍꯂꯕꯅꯥ ꯄꯣꯛꯆꯕꯤ꯫ ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜꯂꯣꯟ꯫ ꯁꯨꯃꯂꯩꯃꯥ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯌꯦ꯫ ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ ꯁꯨꯃꯂꯩꯃꯥ꯫ ꯁꯅꯥ ꯄꯤꯕꯨꯛꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯎꯗꯥꯔꯃꯕꯗꯤ꯫

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯂꯣꯏꯇꯣꯡꯕ

ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯂꯣꯏꯇꯣꯡꯕ ꯑꯣ꯫ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯂꯣꯏꯇꯣꯡꯕꯗꯤ꯫ ꯂꯥꯏꯔꯦꯜ ꯅꯥꯎꯋꯥ ꯑꯉꯥꯡ ꯑꯣꯏꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯍꯩꯔꯥꯡ ꯆꯥꯔꯤ ꯃꯇꯝ ꯂꯥꯛꯉꯩ꯫ ꯇꯅꯧ ꯇꯅꯧꯕ ꯅꯥꯎꯋꯥ ꯑꯉꯥꯡꯅꯥ꯫ ꯈꯣꯏꯔꯤ ꯀꯦꯜꯕꯨ ꯀꯦꯜꯗꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯂꯨꯇꯪ ꯆꯀꯥ ꯀꯣꯛꯂꯦꯜ ꯀꯣꯛꯂꯝ ꯀꯣꯛꯇꯥ꯫ ꯆꯦꯞꯂꯩ ꯂꯩꯈꯥꯡ ꯑꯉꯥꯡ ꯁꯂꯁꯥ ꯍꯩꯇꯦꯔꯤꯉꯩ꯫ ꯅꯥꯎꯋꯥ ꯊꯔꯥꯛ ꯄꯨꯡꯀꯥꯏ ꯆꯩ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।